# দিপক দেবরানিগী অথেংবা গোলনা ট্রাউ এফ সিনা ইন্দিয়ান এরোজবু মায়থিবা পীদুনা ৪শুবা মফমদা লৈখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (এস এন এস)ঃ ১৩ শুবা হিরো আই লীগ সিজনগী মনুং চন্না ঙসি ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা ট্রাউ এফ সিগী ৯ শুবা হোম মেটচ ওইনা ইন্দিয়ান এরোজগা শান্নখিবা মেটচতা য়ুম্বগী দিফেন্দর দিপক দেবরানিগী নীংথিরবা বেক ভোল্লিনা মিনিট ৮৯ চৎপদা চনখিবা গোলনা ভিজিটর ইন্দিয়ান এরোজবু মায়থিবা পীদুনা লীগ টেবলদা মেটচ ১৭ শান্নবদা পোইন্ট ২২ ফঙদুনা মরিশুবা মফমদা কাখৎপা ঙমখ্রে অদুগা ইন্দিয়ান এরোজনা মেটচ ১৬ শান্নবদা পোইন্ট ৯ ফঙদুনা টেবলগী মমৈদা লৈরি।



য়ুম্বু ট্রাউগী কোচ নন্দাকুমারনা মমাঙগী মেটচতা চর্চিল ব্রর্দসবু মায়থিবা পীখিবা ষ্ট্রাটিং এলবেন অদুদগী মিথুপ সমন্তা, কৃষ্ণনন্দা অমদি পিট্রু লুশিয়া লৌথোক্লুনা জে দিদি হাওকিপ, রোবিসন খুমুকচম অমদি মোইরাংথেম লোকেন মৈতৈনা মশুৎ শীনখি। অদুগা ভিজিটর ইন্দিয়ান এরোজগী কোচ বেনকাটেসনা মমাঙগী মেটচতা পাঞ্জাব এফএ সিগা গোল ১–১ দা দ্রো চৎখিবা ষ্টাটিং এলবেন অদুদগী সৌরাপ মিহর, হেন্দ্রি অন্টোনে অমদি গুরকিলাদ সিংহগী মহুৎতা বিকাস য়ুম্নাম, হোরমিপাম অমদি তেলেম সুরঞ্জিৎনা মহুৎ শীনখি।

মেটচ অসিগী অঙনবা মিনিটশিংদা নাকল অনীমক্তা মপাঙ্গল ফুদোক্লবা ঙম্নখিদবনা বোল পায়নবা হোৎন্দুনা শান্নরোইশিংগী মরক্তা অঙম তান্নখি। অমদি মেটচকী মিনিট ১৪ চৎপদা মেটচকী অহানবা গোল এটেম ওইনা ইন্দিয়ান এরোজগী অকাস মীশ্রানা খায়রকপা বোলদা টিমগী ফোৱার্দ হমন্তপিটনা গোল এটেম তৌবদা সাইদ নেটতা চৎখি।

মেটচকী পূঞ্জায় ফারকপদা য়ুম্বুনা বোল পোসিসনদা কন্ট্রোল তৌদুনা নীংথিনা ওর্গনাইজ তৌরগা শান্নরকখিবনা মখোয়গী মিডফিল্ড শান্নরোইশিংনা রাইট ৱিং এটেক্কর জোসেপ ময়োরৱারগী চেলকপা মায়কৈ তম্না বোল কয়া খায়দুনা ইন্দিয়ান এরোজগী অশোনবা ওইথংবা ৱিং লোমদগী য়ুম্বুনা ৱারন্নিং পীবা ওইনা জোসেপ ময়োৱারনা বোল কয়া পূশিন্দুনা ক্রোশিং তৌখ্রবসু মহাক্কী টিমমেটশিংদা নীংথিনা ফিন্সিং পীবা ঙমখিদে।

মেটচকী মিনিট ৩৪ চৎপদা জোসেপ ময়োৱারনা খায়রকপা ক্রোশিং অদু ইন্দিয়ান এরোজগী গোল কিপ্পর সামিক মিত্রনা গোল তম্না লাক্কনি থাজরুদনা চৎল্লগা লৈরুবদগী কিপ্পর অসি তুংওইনরমদুনা চৎখিবা বোল অদু পোষ্টতা পান্দুনা নীংবা কায়দুনা নাকল অনীমক্তা তাঙনা ফঙবা খুদোংচাবশিং গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা য়ুম্বু ট্রাউনা ভিজিটর ইন্দিয়ান এরোজবু খুদুম চন্দুনা চাঙ নায়না এটেক চখরক্তুনা ইন্দিয়ান এরোজগী দিফেন্সপু থুগায়ন্নবগী লম্বী থিবা হৌরকখিবনা মিনিট ৪৯ চৎপদা জোসেপ ময়োৱানা অনকপা মফমদগী গোল এটেম তৌখিবা অদু ট্রাগেট চূম্না কাওশিনবা ঙমখিদে অমদি মিনিট ৫৩ চৎপদা ৱাহেংবম অঙৌসনানা কাওরকপা ফ্রি কিকতা টিমগী কেপ্তেন প্রিন্সৱিল ইমেকাগী হেদ্দিং অদু পোষ্টতা পান্দুনা অরেম্বা তাখি।

ইন্দিয়ান এরোজনা কাউন্টর এটেক অমদা মখোয়গী ফোৱার্দ হরমন্ত প্রিদনা এটেম তৌখিবা অদু য়ুম্বুগী দিফেন্দর দিপক দেবরানিনা ব্লোক তৌখি। ভিজিটরগী টিমনা মিনিট ৭৪ চৎপদা সবষ্টিট্যুদগী চঙলকখিবা বিক্রম প্রতাবনা য়ুম্বু ট্রাউগী দিফেন্দরবু লান্থোক্তুনা খায়রকপা অনেম্বা ক্রোশিং অদু এম নিখিল রাজনা নীংথিনা শমজিনবা ঙমখিদে।

মেটচ অসিদা ভিজিটরগী বিক্রম প্রতাবনা সবষ্টিট্যুদগী চঙলকখ্রবা মতুংদা ট্রাউনা মিডফিল্ডর অসিবু থিংনবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। অদুবু মেটচকী অপীবা মিনিট লোয়রমদাই ৮৯ চৎপদা তোনমোই রোইনা বোক্স তম্না খায়রকপা বোলদা ভিজিটরগী দিফেন্দর অকাস মিশ্রাগী হেদ্দিংনা ক্লিয়র তৌখিবা বোল অদু য়ুম্বুগী দিপক দেবরানিদা চপ চান্না তাদুনা মহাক্না মিত্রংগুম্লবা নীংথিনা কাওশিনখিবা বোল অদুনা নেটকী অহাঙবা মনুংদা চঙখিবা মতম অদুদা ষ্টেদিয়ম অসিদা তিনখিবা য়ুম্বু ট্রাউ এফ সিগী ভাবোকশিংনা অঙকপা অমগা লোয়ননা হরাওবগী খোঞ্জেলনা নীনখি।

ভিজিটর ইন্দিয়ান এরোজনা গোল হন্দোক্লবা তকশিন্দুনা শান্নখ্রবসু মায় পাকপা ঙমখিদবনা দেবরানিগী অমত্তা ঙাইরবা গোলনা য়ুম্বু ট্রাউবু মায় পাকপগী লম্বীদা পূশিন্দুনা সিজন অসিদা নীংশিংদুনা লৈহৌরগদবা খুভম ওইহৌরবা মীকূপ অমা ফঙহনখি।

মেটচ অসিগী হিরো ওফ দি মেটচ ভিজিটর ইন্দির্য়ান এরোজগী জর্সি নম্বর ২০ দিফেন্দর হোরমিপামনা তাখি।

মেটচ অসিদা ট্রাউ এফ সিগী জর্সি নম্বর ১৫ সোরাইশম দিনেস সিংহ, জর্সি নম্বর ১৬ তোনমোই ঘোস অমদি ইন্দিয়ান এরোজগী জর্সি নম্বর ১৬ বিকাস য়ুম্নামদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি তানমোয় ধার, সুমন মজুমদার, সৌরব সরকার অমদি দিপু রোইনা মথং শীৎনা সেন্টর রেফ্রি, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি–১, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি–২ অমদি ফোদ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

ট্রাউ এফ সিগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ১৪ দা রিয়েল কাস্মির এফ সিগা টি আর সি গ্রাউন্দ শ্রীনগরদা নুংথিল পুং ২ তাবদা শান্নরগনি অদুগা লীগকী অরোয়বা মেটচ ওইনা থা অসিগী ২০ দা গোকুলম কেরেলা এফ সিগা ১০ শুবা হোম মেটচ ওইনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা নুংথিল পুং ৫ তাবদা শান্নরগনি।

লীগ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা চর্চিল ব্রর্দসগী হোম মেটচ ওইনা জৱাহলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম ( ফর্টোরদা ষ্টেদির্য়ম) দা গোলকুমল কেরেলা এফ সিগা শান্নখিবা মেটচতা গোকুমলনা চর্চিল ব্রর্দসবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টেবলগী মঙাশুবা মফমদা কাখৎপা ঙমখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা গোকুলম কেরেলা এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ নথালিয়ান জুদ গারসিয়ানা মিনিট ৩১ অমদি জর্সি নম্বর ৩১ হেনরি কিসিকানা মিনিট ৯০ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা চর্চিল ব্রর্দস এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ২৪ লালখুৱামপুই মাওৱিয়ানা মেটচকী মিনিট ৭২ চৎপদা চনখি।

Hero I-League Point Table

| Team | P | W | D | L | F | A | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Mohun Bagan | 15 | 11 | 3 | 1 | 34 | 13 | 21 | 36 |
| Punjab FC | 15 | 5 | 8 | 2 | 20 | 17 | 3 | 23 |
| Real Kashmir | 14 | 6 | 4 | 4 | 16 | 13 | 3 | 22 |
| **TRAU** | **17** | **6** | **4** | **7** | **17** | **27** | **-10** | **22** |
| Gokulam FC | 15 | 6 | 4 | 5 | 20 | 19 | 1 | 22 |
| East Bengal Club | 15 | 5 | 5 | 5 | 22 | 18 | 4 | 20 |
| Churchill Brothers | 15 | 6 | 2 | 7 | 23 | 21 | 2 | 20 |
| Chennai City FC | 15 | 5 | 5 | 5 | 18 | 19 | -1 | 20 |
| Aizawl | 14 | 3 | 7 | 4 | 17 | 18 | -1 | 16 |
| Neroca FC | 15 | 4 | 3 | 8 | 21 | 30 | -9 | 15 |
| Indian Arrows | 16 | 2 | 3 | 11 | 7 | 20 | -13 | 9 |

# ফ্লাম য়াইস্কুলনা ৮ শুবা কে য়াইমা নীংশিং ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (এস এন এস)ঃ অকাম্পাৎ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থা ১৬ দগী এলবেন ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ফুটবোল গ্রাউন্দ অকাম্পাৎতা টিম ১৫ না গ্রুপ–৩ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরকপা ৮ শুবা কোইজম য়াইমা নীংশিং ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০ গী ৱিন্নর ফ্লাম য়াইস্কুলনা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোয়বা মেটচ ওইনা ঙসি য়ু ভি এস এ (এ) লিল্লোং চাজিং অমদি ফ্লাম য়াইস্কুলনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ফ্লামনা য়ু ভি এস এ (এ)বু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। শান্নখিবা মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা ফ্লাম য়াইস্কুলগী জর্সি নম্বর ১০ এন রাজেসতা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

মায় পাক্লবা ফ্লাম য়াইস্কুলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মেটচকী অঙনবা মিনিট ৩ চৎপদা টিমগী জর্সি নম্বর ৭ কেঐচ রতননা চনখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা ফ্লাম য়াইস্কুলদা শেল ওইনা লিশিং ৪০ গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি রন্নরস তাখ্রবা য়ু ভি এস এ (এ) লিল্লোং চাজিংদা শেল ওইনা লিশিং ২০ লোয়ননা ট্রোফি ফঙখি।

বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমনা অম্বা উরিপোক চৈরাপ কোর্টনা তাদুনা শেল ওইনা লিশিং ৫ ফঙখি। টুর্নামেন্টগী বেষ্ট প্লেয়রনা ৱিন্নর ওইখ্রবা ফ্লাম য়াইস্কুলগী জর্সি নম্বর ১৪ এল গুনবিরনা তাদুনা শেল ওইনা লিশিং ৩ ফঙখি। বেষ্ট গোল কিপ্পরনা কে ভি এফ এ ককচিংগী এম তোমচৌনা তাদুনা শেল ওইনা লিশিং ৩ ফঙখি অদুগা তোপ স্কোল্লরনা কে উপেননা পূন্না গোল ৬ চন্দুনা শেল ওইনা লিশিং ৩ ফঙখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা শুগনু কেন্দ্রগী এম এল এ কে রঞ্জিৎ সিংহ, ১৪ উচেক্লোন নোংচুপ জিল্লা পরিষদ মেম্বর শেরাম নিকিল, খাঙাবোক কেন্দ্রগী এম এল এ ওক্রম সুরজ কুমার, এস পি গ্রুপ ওফ ইন্দ্রষ্ট্রিসগী চিয়ারমেন এস পিশ্বরজিৎ শর্ম্মা, ঐচ ভি এস কন্সট্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদকী চিয়ারমেন ঐচ বিক্রমজিৎ অমদি টুর্নামেন্টগী দোন্নর বিজয় কোইজমনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিবেল হৌখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (এস এন এস)ঃ কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (কে এস এ)না শীন্দুনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা য়াওশংগী মরুমদা অবের তৈন্নবা, ঈশিং হৈনবা, নীশা শীজিন্দুনা লৈবা, থৌরি থৎতুনা অচৎ অওকশিংদগী শেল মুনবা অমদি অরেম্বদা মতম মাঙহনবগী ফৎত্রবা চৎনবীশিংবু নাথৈদুনা হৌরক্লিবা মীরোলশিংগীদমক খন্দুনা তীঞ্জঙ কায়জঙদবা খূনাই অমা শেম্নবগী ৱাখলোন্দা স্পোর্টসতা মায় ওশিন্দুনা হৌখিবা ইং ২০১২ দগী পাঙথোক্তুনা লাকপা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিবেলগী ৯ শুবা ইদিসন ঙসি ইম্ফালগী মপাল কাঙজৈবুংদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা কৈরাও কেন্দ্রগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বর মীতৈ, কে এস এগী প্রসিদেন্ট এন চেতন, কোসেমগী চিয়ারমেন লমাবম মহিন্দ্র সিংহ অমদি ইন্টরনেস্নেল এৱার্ডি ঐচ ইবোতোম্বী খুমননা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

পাঙথোক্লিবা স্পোর্টস মীট অসিগী নুঙগী ওইবা ৱাখল্লোনদি হরাও কূমহৈদা লুপ্লবা খুন্নাই অসিদা ঐখোয়বু শক্তাক্লিবা স্পোর্টসতা মায় ওন্সিনবা অমদি স্পোর্টসকী হৌরক্লিবা ইহৌ অসিদা কে এস এনা শীন্নলিবা স্পোর্টস মীট অসিনা ইনোৎ খরা হাপ্নবগী ৱাল্লোনদা স্পোর্টস মীট অসি পাঙথোক্তুনা লাকপনি।

৯ শুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিবেল অসিদা তোঙান তোঙানবা মশান্না ৬ তা অথোয় অহেন তান্নগনি। মশান্নশিং অদুদি– ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মপাল কাঙজৈবুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৯ শুবা কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফি ( য়ু–১৭) অমদি ইন্টর ষ্টুদেন্ট'স ওর্গনাইজেসন ইনভাইসটিস্নেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট, মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা গোপালদেব কাঙশং য়াইস্কুল কাঙশঙদা পাঙথোক্কদৌরিবা কংলৈপাক কাঙ ট্রোফি, এঠলেটিক এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা কংলৈপাক মারথোন রেস, ওল মণিপুর চৈবী এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা কাঞ্চিপুরগী ন্যু লাইট পাব্লিক স্কুলদা পাঙথোক্কদৌরিবা কংলৈপাক চৈবী য়েন্দম্নবা অমদি হুয়েল লাঙলোন থাঙ–তা এসোসিয়েসন মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা শাগোলবন্দ মোইরাং হনুবা ইপূধৌ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্কদৌরিবা কংলৈপাক থাঙ–তা চেম্পিয়ন্সিপনি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ৯ শুবা কংলৈপাক কাঙ ট্রোফিদা টিম ১০ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা গোপালদেব মন্দপ য়াইস্কুল অমদি শিংজমৈ কাঙশঙদা শান্নবা হৌখ্রে। ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সি আর সি কাঙখূৎনা শাগোলবন্দ কাঙখূৎপু ২৫–১৭ দা মায়থিবা পীখি।মায় পাক্লবা সি আর সিগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১১ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১৪ কাপৎখি। মায়থিরবা শাগোলবন্দ কাঙখূৎগী পাঞ্জলশিং অদূনা অহানবা হাল্ফতা ১১ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা ৬ কাপখি

অনীশুবা মেটচতা শান্নখিবদা সি সি সি ওনা শলাই তরেৎপু পাঞ্জল ৩০–১৯ দা মায়থিবা পীখি।

# অমুকোনা লোকেল ক্লবশিংদা স্পোর্টস মেটরিয়েলশিং য়েন্থোকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (এস এন এস)ঃ হয়েংদগী হৌদুনা চখগদৌরিবা য়াওশং কুম্মৈ মনুংদা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ক্লবশিংদা স্পোর্টকী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

ক্বাকৈথেল অখাম লৈকাইদা লৈবা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব'স ওর্গানাইজেসন (অমুকো) গী ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা অমুকোগা পুন্না চৎমিন্নরিবা এপেক্স বোদিশিংগী খুত্থাংদা স্পোর্ট মেটরিয়েলশিং অদু খুৎশিন্নখিবনি।

থৌরম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ হন্দো লুৱাংনা হায়, অমুকোনা ঙসি পীরিবা খুদোল অসি থম্মোয়গী ওইবা খুদোলনি। ঙসি খুৎশিন্নরিবা পোৎলমশিং অসিনা ক্লবশিংদা স্পোর্টকী তঙাইফদবা মচাক চাদ ১০০ কোন্নগনি হায়বা নত্তে। হৌগৎলক্লিবা নহা কয়ানা ইথক ইরাংদা তাউদুনা চৎখিগদবা অদুদগী কন্নবগীদমক লৈকাই লৈকাইদা লৈরিবা ক্লবশিংনা য়াওশঙ মনুংদা স্পোর্টস পাঙথোক্লিবা অসিদা পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা পোৎলমশিং অসি খুৎশিন্নবনি হায়খি।

মহাক্না হায়, য়াওশঙগী হরাউবগী মীংদা নাকল অমরোমদা চৎখিগদৌবদগী কন্নবগী পান্দমদা অমুকোনা ক্লবশিংদা পোৎলমশিং অসি খুৎশিন্নবনি।

থৌরম অদুদা অমুকোগী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম থোইথোইনা হায়, য়াওশঙ নুমিৎ মঙানি অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চা থক্তুনা লম্বী লমজাওদা পুল্লপ–পুল্লপ চৎপগী হৈনবী থাদোকহন্নবা লোয়ননা তুংদা অফবা শান্নরোই কয়া পুথোক্লবগী পান্দমদা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

য়াওশং মনুংদা স্পোর্ট পাঙথোকপা অসিনা নহাশিংবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তঃগী লাপথোকহনবা ঙমগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব'স ওর্গানাইজেসননা খূৎশিন্নখিবা স্পোর্টস মেটরিয়েলশিং অদুদি– ফুটবোল, ভোল্লিবোল, হেন্দবোল, সেপ্রাক তাক্রো, নেট অমদি শান্নবদা তঙায় ফদনা চঙদ্রা য়াদ্রবা মচাক মথুমশিংনি।

# টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুল অমদি কাচিথোল হিরানমৈ ফাইনেলদা লম্বা তৌন্নরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা উপোকপী স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী উপোকপী এল পি স্কুল গ্রাউন্দা টিম ৮ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরিবা মেন'স ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ফাইনেলদা টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুল অমদি কাচিথোল হিরানমৈনা থা অসিগী ৯ গী নুংথিল পুং ২ তাবদা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুলনা ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংবু সেট ৩–২ ( ১৯–২৫, ২৬–২৪, ২৫–২১, ১৫–২৫ , ১৫–১০) দা মায়থিবা পীখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা কাচিথোল হিরানমৈনা ৱাই দি এ ফুবাকচাওবু সেট ৩–০ (২৫–২১, ২৫– ১৫, ২৫–১৭) দা মায়থিবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরবদা লৈমাপোকপম জিল্লা পরিষদ মেম্বর লৈমাপোকপম জিতেন, থিনুংঙ্গৈ জিল্লা পরিষদ মেম্বর ওইনাম জয়কুমার, সোসিয়েল ৱাকর ওইনাম প্রেমজিৎ, দেল্টা কোই কামন্দর কার্থিক কুমার, ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী এল বালেশ্বর অমদি প্রসিদেন্ট এস নন্দকুমারনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াগনি।

## জোন এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (এস এন এস)ঃ য়ুনাইটেদ য়ুঠ ওর্গনাইজেসন শিংজমৈ ভৈগাবটি লৈকাইনা শীন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী টিম ৩২ না নোট আউট বেসিসতা শরুক য়াদুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা চথরিবা অহানবা থোকচোম অনৌবী দেবী নীংশিং সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ২৭ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা জোন এফ সিনা য়ু ৱাই ও (এ)বু গোল ৬–২ দা মায়থিবা পীখি।

২৮ শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা আই পি এম এস সিনা ও এস এবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। ২৯ শুবা মেটচতা এফ এফ মণিপুরনা মেমোরি মেক্করবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি। ৩০ শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা শলাম এফ সিনা রোমেন এফ সিবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

## ও এন ৱাই সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (এস এন এস)ঃ ও এফ এ পুঙদোংবমনা শীন্দুনা মমাঙ থা ২৩ দগী টিম ২৪ না গ্রুপ–৮ থোক্লা খায়দোক্তুনা ও এফ এগী প্লে গ্রাউন্দা চথরিবা ১৮ শুবা ও এফ এ কপ ২০২০ গী ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা ও এন ৱাই সিনা ত্রিপল এবু গোল ২–১ দা, এস ৱাই দি এনা সেক্তা এবু কিক ফোম পেনাল্টি মাকতা গোল ৪–২দা মায়থিবা পীখি।




১০ শুবা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) স্পোর্টস মীট হৌদোকখিবগী শক্তম




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*